HUEIYEN LANPAO



*"নত্তে, পোন্না ঐগী পুন্সিগী ঙমখে*
*ওইবা য়ারোই পোন্না*
*ওইবা য়ারোই পুন্সি ঙমখৈ ঐগী"*
*- খাইদেম প্রমোদিনী*
*(খোজ্জৈগী মঙলান)*

## নিঙোল চাক্কৌবা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

হয়েংদা ঙাইরে হায়রম্বা
ঙসিনি, ঙসি
হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমিৎ
নিল্লরে নিঙোলশিংগী খোঞ্জেলতনা।
তরু-তরুনা নোংপোক চীংখৈ ঙাল্লকই
মীকপ খঙথোক থোকই,
থাবুম অমগী মমাঙদগী লাংলকপা
মচু-মমেন মখল মখা কয়াগী
ফিরোল পুথোক পুথোক্তুনা
মচে, মনে, মনাওনুপী, মমা
মন্দোল য়েংনখিবা
ঙসিনি, ঙসি
ঙসি অসিনি নিঙোল চাক্কৌবা।
অরৈবা হৈপাল লৈপাল হেক্লদুনা
ইঙ্খোল নুংদা পাল্লিবা অনৌ অপেৎ
কয়া হেক্লদুনা লুকমাই থক্তা হাপ্লদুনা
তরেৎ শেঞ্জা তাল্লুরগা।
মচা, মমৌ, মশুশিংগী খুদোল লংলুরী
পলেম ওইবীশিং মচা মনাওশিংগা
তান্নরদুনা, কুম অমগী অমুক্তনি।
অরৈবা পুথোক্তুনা চামিন-থকমিন্নৈ,
অরৈ লৈত লোয়নমক ইকাউ কাউনৈ
নীংশিংলুদে কনানসু অৱা না
লৈত লায়রগী ৱারী,
অনৌবা ইথক অমদা তাওরদুনা।
নুমিৎ অসিগীনি নহাল মখৈ লাংলকখিবা
নুমিৎ অসিগীনি, নুমিৎ অসিগীনি।
নিঙোলশিংনা মপামগী মবুং মৌপ্পাশিংগা
পূন্না হরাউ মোমোন মীনোক্কা লোয়ননা
চামিন থকমিন্নজবা নুমিৎ অদো
ঙসি অসিনি,
ঙসিনি ঙসি নিঙোল চাক্কৌবা নুমিৎ অদো।

## ৱাজখিবনি মহাক্তো

**—তোংব্রম শামুঙৌ**

মেরাগী ২৪ নিগী থাচৎ
নিংথৌকাবা চৈচৎ ২৪,২০১৬
নঙসে নুংশি হৈতেদা
ওন্থোক্লসু নুংশি হৈতেদা।
করিগী চৎলি পুদুনা
নঙগী লেপ্তুবা খোঙচৎনা
ঐখোয়গী ইরক্তগী
তরং তরং ঙাল্লম্বা
থৱায় অমা ঙসি,
তাইবঙ লৈকোনগী ৱাংমদা
অশি লমদমগী মফমদুদা।
কোলোই মিংলেন
উলেল মীতৈবু মিঙ্গৌনবা
তাইবঙ পূম্বনা শকখঙনখিবা
থেংনবা খুদিং, উনবা খুদিং
মীনোক অমনা মাঙওইনরা
চীনবান কাংলকপা মাগী
ফাগী পুবা ৱাহৈ অমা,
মোঙ হাদ্রবা মতৌ
করম্না কাউগনি তাইবঙনা।
মাগী থম্মোয়গী, শৈথা শৈরোলগী
ৱাহৈগী ফজবা, মাতগী ওইবা
ৱাহৈ লৈচলনা থম্মোয় কয়াবু
মীনোক তমহনবা, শুমহৎ ঙম্বা
মশাগী ৱাখলগী লৈচলদা হাপ্তুনা
মহাক্কী কলমগী ৱাহৈগী নাচোমদা
ৱাহৈগী পরেংবু লেংদুনা
মীপুম খুদিংদা শক্তাক্লম্বা,
ও! মতম কৌবী লাইরেম্বী
নঙনা পূম্নমক করিগী শীন্থহল্লি
নীঙমদবা কায়নবগী মীৎলু পীরাং।
লাক্লরোই অমুক, উররোই তাইবঙসিদা
থম্বীয়ুকো নুংঙাইনা মফমদুদা
হরাউ মীনোকপু তমহন
অচৌ-মচা খায়দবা লমদমদুদা,
ৱাজখিবনি, চৎখ্রবা মহাক্তো
অশি লমদমবু পাঙখ্রবা
তাইবঙ লমদমবু পাঙখ্রবা
তাইবঙ খুন্নাইসিগীদমক ঙসিগী
ঐগী মাগী নায়দবা
চৎলে চৎনা, তূম্লে তূম্না
মঙলান তাইবঙ অনীদা
উলেল মীতৈ তাইবঙনা শকখঙনখিবা
মপু নঙগী লৈকোন্দা তিনখ্রবা ঙসিনা
অশৈবনি মহাক্তো অশৈবা।

## তমজগে নতৌ

**—মেঘা কোলোম**

শজিবু নোংলৈসু মায়োক্লা
ওল্লাংথাই মৈশাসু মৈখাংনা
কুমগী নোংজু কয়ারকসু,
নাকেন্থা কয়াগী চৈথেংলক
ৱাকচীংগী উলেনসু নাচুংদা
য়েন্নিং থাচৎ খুদিংদা
শংবান্নবা চরৈ ফিহোংনা
মালেম ইমাগী তম্পাকথক
য়েন্নিং মপাউদি তল্লিবা;
নশাগী ওইজবা মকাউথোক
তাইবঙ থৱায় কয়াদা
তাউজিং হৈরাংদি চিন্দমহন
অঙ্গৈং-অশাদি মঙাকনি
নীংশা মরাং মকাইহন
তাইবঙ চেংজেন ময়েনবী
পীনহৈ অখাংকনবী নতৌ
তমজগে তাইবঙ ঐখোয়সু।

## হাওরা ষ্টেসন

**—ডা. সমর সলাম**

কুইরে উনরুদবা নঙ-ঐ
পুকফবী হাওরা নহাক্কা
ঐখোয় অনী খঙনবা
চহী তরাতরেৎ হায়রক্লেদো।
পোথাবা হৈতবী নহাক্কি
অয়ূক নুংথিল নুমিদাং
মীওইবগীদমক মম্বা নাইদবীনি নঙদি
ময়ূম লৈতবশিংগী তাংজফম
পাম্বৈ লৈতবশিংদা পাম্বৈ;
পূম্নমক্কী চঙজফম্নি নঙ।
কাউরবরা নোংমা চেন্নাই হল্লকপদা
লেনখি নঙগী নতম্বাক্তা
অরিবা পাউচেগী মথক্তা
শান্নখি পুন্সিগী ৱারী কয়া
শাগৎখি নুংশিরবা ৱারী কয়াসু
ঐগী মরুপ নুংশিবদুগা।
ইহে! নঙদি তারমখিরোই
ঐগী মরুপ নুংশিবদো
নঙবু য়াম্না নুংশিজবদো
লৈখিদ্রেদো তাইবঙ শিন্থা লোইদুনা
নীংঙমদে মাগী ইমুং মনুংগী খল্লগা।
নঙদি খ্বাইনা নুংশিজবনি
বৃটিশ কাঙবুনা শকখঙখি
নোংপোক লমগী কলচরবু
শন্দোকখি নঙোন্দগী চাওখৎপা
শন্দোকখি মায়কৈ খুদিং
রবিন্দ্র শঙ্গিৎকী মহাওসু।
মীওই কয়া হৌখ্রে,
নঙদি ঙসিসু তগৎ-তগৎ তেক্লি
ষ্টেসন অতৈগা মান্নদবী
নোংপোক নোংচুপ শম্নহনবী
খাগা ৱাংগা তিন্নহনবী
রবিন্দ্র সেটুনা নগুন হাপ
হুগলি তুরেলনা শৈশকহন
ঙাল্লু মতম পূম্বগী
নুংশিবী হাওরা ষ্টেসন-ও!

## রিজার্বেসনগী চৎনবী মুখৎলসি

**—রন্ধির থিয়াম**

মুখৎলসি,
পুংমুৎ মুখৎলসি
রিজার্বেসনগী চৎনবী।
নুংশিনহন্দে মসিনা ঐখোয় মশেল,
খায়দোকই মসিনা তোঙান তোঙান,
চখুরি মসিনা হৌজিকফাও দিভাইদ এন্দ রুল
মতিক চাবা মীওইশিংদমক খনবিদুনা,
মতিক চাদবশিংগীদমক করিগী রিজার্বেসন?
মুখৎলসি, রিজার্বেসনগী চৎনবী মুখৎলসি।
রিজার্বেসনগীদমক্তা বন্দ-ব্লোকেদ তোকপীরো
রিজার্বেসন পোলিসি মুখৎলসি লাউবিরো,
ঐখোয়না হেল্লে নখোয় নুংঙাইরোই
নখোয়না হেল্লে ঐখোয়সু নুংঙাইরোই
মদুগী মহুৎ মুখৎলসি,
রিজার্বেসনগী চৎনবী
মতিক চাবা মীওইশিংদুদং খঞ্জখিসনু
অফবা খুন্নাই অমা শেম্মীন্নরসি
নুংশি চান্ননা হিংমিন্নরসি।

## খিকপীয়ু নুংশিবা

**—মাইস্নাম বিষেশ্বর**

তোইনা লাকচগে ননাক্তা
নুংশি ইরিক থকচগে
অহিং থাবল মঙালদা
নোংইন ওইনা লৈজগে ননাক্তা।
শল্লাং শমজিরৈগী লৈনমদা
নুংশিবা শাহুম য়ৈজগে
খোইরাংবা থম্মোয়সে ইংজগে
নঙতগী অশেংবা থম্মোয়না।
খৌবুম থন্না থকচগে
কোইঙাওনরবা পুন্সিসে
নুংশি লৈহী অশেংবা
খিকপীরো নঙগী নুংশিবা।

## লম্বীদু


**—নির্মলা রাজকুমারি**

চৎলুনু মফমদো
চঙনবগী লম্বীদি লৈবা
থোরকপগী লম্বীদি লৈতবা।
চঙখিবদা মফমদুদা
মাঙলবনি পুন্সিদো
অশিবগা পাংখক ওইরবনি।

# কায়থরক্লিবা শক্তম

## (মতমসিগী চপ চাবা মী অমগী শৈরেংশিং)

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | কায়থরক্লিবা শক্তম |
| মখল | ঃ | শৈরেং |
| অইবা | ঃ | কামিনিকুমার |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৬ |
| অফোঙবা | ঃ | নোহাখোল |




পাউদন্নিবাঃ সলাম তোম্বা

*পামজবনা* সোসিয়েলিজম, লৈরিবনা ফিউদেলিজম, খৌরাংজবনা অচুম্বা চৎপা লৈবাক, থেংনরিবনা করপসন্না পুৎথরবা লমদম, থাজরুবনা নুংশিবা, থোকখ্রিবনা থাজনীংঙাই লৈত্রবা নুপীগী পুকচেল। অদুগুম্বা পুন্সি অমদা হিংলিবা অইবনা করি অমুক আশা তৌরুখিনি ঙসি। অদুনা মহাক মশানা পামদনা ওইররে ঙসিদি মশামক্না পামজদ্রবা কায়থরক্লবা শক্তম। অদুনা মশানা হায়জৈ, মহাকসু মতমসিগী চপ চাবা মীশক অমা ওইরে। অদুনা কপচৈ মদোম, ফিভম্না মাবু হেক পোকপীবা মমা মপাগী, মচিন-মনাওগী খনবা শংহন্দ্রে। মচা শেম্বা ঙম্নবা হোৎনবদা, মতমসিগী, লমদমসিগী করপসন মায়োক্লনবা হোৎনবদা মহাক তানশিল্লি লন, শেম্নবা মচা। অদুগা হায়, লমদমসিদা পোক্কে হায়রবদি মায় কনবা তাই, মীগী তৌবীমল কাউবা তাই, ঐগী ঐগী পৈশিনবা তাই। কয়াদা শাথীরবা শক্তম অমনো লমদমসিনা মীচমদা পীরিবা ঈথিল। মদু ঙাক্তনি ঙসি লাইরিকসিদা পারুবদা থেংনরিবা। খুন্নাইগী, মরন্নাইগী মনীং থুংবা ফংদ্রবা অদুগুম্বা কবি অমগী খোঞ্জেলনি তারিবা। শৈরেং ৩১ খক্লা শাবা লাইরিকনি। শৈরেং পূম্নমক শৈরেং ফজবা মশক য়েংলুবদা খরা নৌনা থোকই। অদুবু পাউজেলদি পীবা ঙম্মী। খূৎইদা য়েংলুবদি য়াদ্রে, করি হায়রি হায়বা অদোমদা য়েংবা তাই, শৈরেং পূম্নমক। লৌথুপ লৌকোই লৈতে। হায়নীংবা দোং দোং। থমোয় শেংবা কবি অমগী অরোন-অথুপ য়াওদ্রবা খোঞ্জেলনি তারিবা শৈরেংশিংসিদা।

অইবগী অনীশুবা পোথোকনি। পেন্দ্রবা থৱায়গী খোল্লাউনি। কামিনিকুমার থমোয় শেংবা অইবা অমনি হায়দবা ঙল্লোই। মীচম অমগী থমোয়দা ফাওফম থোকপা সেন্সিবিলিটি লোইনা উৎথোক্লিবা লাইরিকনি। নীংবা কায়রবা থৱায়গী ৱাকৎ ঙাক্লি হায়বা য়াই। য়েংবা য়াই অইবগী ৱাহৈ খরা, "চৎনরিবা নুংপান নাইবা/লুচিংবা অমসুং মীয়াম্না/হায়বনা অমা তৌথোক্লকপনা অমা/ওইরিবা খুন্নাইসিগী মতৌ।" (অথৌবশিংগী মীতম্না, লাঃ ৯) মসিদি থমোয়শেংবা মতৌনি। লুচিংবদবু চৈদে, মীচমসু অদুম চৈরি। তশেংনা হেক থোক্লিবা ঙাক্লি। মীচমসু লান্দে হায়বা য়ারোইদৌরি। ফজবা মিৎয়েং অমনি। অইবগী মিৎয়েংদা খুন্নাইসি হীরম খুদিংদা কায়থরক্লবা শক্তম ঙাক্তনি। য়েংলুবদা মিৎ নাদবা অমত্তা য়াওদে। করিগী ৱাহৈদা, "তারি পাউ/দ্রগ লল্লোনবগী/ইনখৎলকপা নহাশিংনা ময়াইকাবদা লাইচুবগী/নুংশি লিপুন কায়থরক্লি/কাঙলুপ অমগা অমগগী মরক্তা।" (পূক্নিংদা ফাওরক্লে, লাঃ১৫) হায়রিবসিদা করি লানবা য়াওরিবগে। অচুম্বদু হায়বনি। লোইনমক্লা য়াগদবা ৱানি। খুন্নাইসিগী অশেংবা শক্তমনি। মদুদা কবিনা হেন্না অমুক পেঞ্জদ্রিবনা মহাক মশামক কায়থরক্লিবা নুংশি শক্তম অমা থেংনরুবা অসিনি। মশাগী থৌদোক মানবা শৈরেং অমা য়াওরি, 'হিয়াঙ্গৈগী থাবল' কৌবা। George Herbert না হায়বা, "Love and Cough cannot be hid" হায়বা অদুমক্লি। নুংশিববু লোৎপা ঙম্বা মী লৈতে। কামিনিকুমারসু লোৎত্রে। মাসু হায়রি, "য়ৌরকপদা হিয়াঙ্গৈ থানা/... নৌথোরক্লে থম্মোয়সে/নীংশিংলকই থম্মোয় মশক খঙদবী মহাক্তো।" (হিয়াঙ্গৈগী থাবল, লাঃ ১১) কয়াদা শেংনা হায়রবনো। নুমিৎ, থা, পুংফম শেংনা পল্লি। মাগী চান্নবীগী ৱাহৈ অমনা চৈখৈ ওইখি। নুমিৎ অদুদগী থাবলগী অইংবা মৈশা ফাওখি, ঙসিসু ফাওরি। মসিদি হৌনশানি, নীংবা কায়রবা থৱায় অমগী মফমদা ফজবা লৈররোই। মরমদি ফজবা, নুংঙাইবা পূম্নমক য়েংলিবা, উরিবা মীগী মখা পোনবা ঙাক্তনি। অদুনা কবিনা হায়, "হো হিয়াঙ্গৈগী থাবল/থম্মোয় শুমহৎপা নঙসে/ঐগী ইফমদদি অমম্বা অহিংনি।" মসিদি ইংরজি কবি S T Coleridge নসু হায়খি। মাগী চান্নবীদা পীবা পাউজেলদা অসুম্না হায়খি, "O Lady! We receive but what we give/And in our life alone does Nature live." কয়াদা চুমখ্রবা ৱানো। অদুনা কামিনিকুমারনা পেন্দনা চৈরি মাগী চান্নবীবু অসুম্না, "নুপীজা ওইবীগী নুংশিবা নঙ/অশেংবা নুংশিবা নত্তে/তৌশিন্নবনি, তাৎনি, মঙলাননি।" মসিদি William Shakespeare সু হায়খি। Othello না মাগী থৱায়গী মবেম্মা Desdemona বু থাজবা মাঙলক্লবা মতমদা হায়খি, "Woman! Frailty is thy name." কয়াদা মান্নজখ্রবনো কবিগী ৱাখল।

মসিদা নত্তে, কবি কামিনিকুমারগী পেন্দবা। শেঞ্জাও পায়বনা খুল্লিংবা খুন্নাইদা অৱা-অনা, লৈত-লায়র পূম্বনা মশাগী লাইবক্তা হেক্তা তাইশিন্নৈ। ৱারিবদু লাইবক্লা নত্তে হায়বদু খঙজদে। লৈঙাক অদুনা থোকহল্লিবনি হায়বসি খঙগদবনি। মাগী ৱাহৈদা, "মীবু মীনা ওৎতবা/মান্নবা খুন্নাই অমদা/থিবা ফংলোই লাইবক্তা তল্লকপা।" (লাইবক নোংদম, লা:২১) অদুনা কবিনা ঈখৌ লাংজৈ মান্নবা খুন্নাই/সোসিয়েলিজম/মান্না কল্লকচৈ কার্ল মার্ক্সকী নিয়ম ইনবা রুস লৈবাক্লা নুংঙাইখিবা অদু/ভারতকী দেমোক্রেসিগী অশোয়বা কয়াদু মহাক্লা থিন্দুনা তাক্লি। য়োংগী লৈবাক্লা চাংদম্নৈ। থাগৎখিবা মীহুৎ অদুনা লৈবাক্কী খল্লক্ত্রবদা কবিনা চৈরি, "মনিং তম্না/হাইনা হুম্না/মীচৈ তাথী ৱা/মায় ঙাঙদনা/পাল্লি য়োং নিংথৌ/য়োংগী লৈবাক্তা।" (য়োং নিংথৌ, লা: ২২) অদুগুম্বা লন-থুম পৈখৎলিবা লৈঙাক মপুশিংদুগী চীংগুম পৈরিবা মরন্দু মিৎ কূপ্পদা শ্বাই মাঙখিগদবদি আইন্না মমিৎ পাংলকপা মতম অদুদনি হায়রি। মিত্রংগুম শাগৎলিবা ময়ূম মকৈ, লন-থুম কয়াদু তেমখায়সি হায়রবদি ঐখোয় অচুম্বগীদমক শিবা কিদবা তাই, থৌনা ফনা লেপ্পা ঙম্বা তাই হায়রি।

অদুবু অরেম্বনি পূম্নমক লমদমসিদা /কনাসু থৌ-ৱা শানদে/মসি মতমসিনা পুরকপনি/মতম্না পুরকপা অহোংবনি। অদুনা কবিনা ঙসিগী মীরোল অসিবু অসুম্না প্রমান পীরি, "মী ঐখোয়সে/চৎলবা কোক্লা/য়ুং য়ুংদুনা/থোক্লবা নুমিৎনা/নোংচুপলোমদগী/অদুফাও থৌশারোই/অদুম নীংঙাইদনা লৈগনি ঐখোয়।" (ফেৎ লাউরোই, লা: ৩৩) কয়াদা চুম্না উখ্রবা মিৎয়েংনো। পেন্দবগী ঙাক নত্তে। মতমসিগী মীশিংসি মতৌ অমদি ওইরে হায়বা ফজনা উৎপা ঙম্মী হায়নীংঙি। অসিগুম্বা মীখল মরক অসিদা অঙম্বশিংদি কমদৌরি। থবক খুদিংদা শেল/হিরম খুদিংদা পার্সেন্টেজ ঙাক্তনি। কবিনা হায়রি, হিংলি ঐখোয় পার্সেন্টেজগী ফিবান্নুংদা। চেম্থোকফম লৈত্রবা ফীভম অমদা। মসিসু লাল্লি করম হায়গনি। মসি পূম্নমকসি কোক্কদবদি চাম্মদা মরিফু ওইরিবা লায়রবা প্রজা ময়ামসিনা শিংলকপা নুমিৎতা, খঙলকপা নুমিত্তা মগুণ লৈনা হোংবা, অওনবা খুন্নাই অমা শোয়দনা উগনি হায়রি। মায়কৈ চুম্না তাকই হায়নীংঙি। মায়কৈবু চুম্লবদি নোংমা য়ৌরকপসু য়ারি।

অতোপ্পা কবি অসিগী মিৎয়েং অমনা ঐখোয় তাইবঙ মীগী তৌবীমল খঙদবা মচৎ অসিনি। কবিনা মসি য়াম্না য়াজনীংদে। প্রজা ১০০ গী মনুংদা মরিফুতরামাপল তৌবীমল খঙদে হায়রি। অদুনা খুদম পীরি, "কাউথোকই তৌবিমল/ভারতনা রুসকী/বংলাদেশনা ভারতকী/... মফজৈ মচিন্দা/য়াওদে খূৎ।" (কাউজনথীবা, লা: ৪৪) ওন্থোক্লা খঙনা ইবা মাল্লি। কন্সেপ্ট য়াম্না শেংবা অইবা অমনি হায়নীংঙি।

অতোপ্পা ফজবা শৈরেং অমতংদি 'লাদা তাই' হায়বা অসিনি। শৈরেং অসিদা কবিনা পূম্নমক শেলদা হেক্তা তারকই হায়রি। লাই ফনা খুরুমদুনসু পৈশাবু য়াওদ্রবদি করিসু তৌবা ঙমদে হায়রি। মসিসু খুন্নাইসিগী চৈফুনি মীচমদা পীরিবা। অদুনা ৱাজৈ মৈতৈ ফুরুপকীদমক। শেলগী মমল খঙদনা ভাবোক ফাওবা পৈশা থাবগী ফৎত্রবা মচৎ অসিবু চৎনবী ওন্থোকপগীদমক। কবিনা চেকশিন ৱা হায়রি, ৱাখল য়াওদবা চৎনবী ময়ামসিনবু মরেপত্রবদি নোংমদি কাং কোক তাবদি শোয়দ্রে। মাগী ৱাহৈদা, "শিংত্রিক শিংবা মীতৈশা/কুম্মৈ মরকসিদা/ঙমগদ্রা শরুক য়াবা/ওল্লক্লিবা মালেমগী য়াওনসিদা/শামু মনীং পেনা খোং/ননিং নমাঙ হোত্রোং হো/নরৈবাক কাং কোক।" ফজখ্রবা প্রমান্নি। থোক্লিবা ৱাফমনি। ঐখোয়গী ফুরুপকী মমি শাল্লিবা ফিভম্বু ওন্থোক্লা ফজনা হায়খ্রে। লাল্লি হায়বা ঙল্লোই। কবিনা অমুকসু হায়রি, ঐখোয় মশেল খৎনরিঙৈ, হাৎনরিঙৈ, লৈচিন্দা তেন কাপ্পরিঙৈ, ফুদিৎতা মাঙজোং চোংলিঙৈ মীখা পোনবদি শোয়দ্রে হায়রি। মসিদা য়ানীংলোইদবা কনা লৈবগে। অদুনা কবি নীলকান্তগুম কবি কামিনিকুমারসু অদুম হায়রি, "লৈতে অহোংবা/মীয়ামগী পুন্সি মহীংদা/শেল্লবসু লীশাং শীৎনা চহীগী বজেৎ/শম্নবা ঙমদ্রি/মীয়ামগা লৈঙাক্লা/তাহল্লি তোঙান তোঙান।" (মমি শাল্লবা লৈঙাক, লা: ৬৮) অদুনা ফিভম কয়াসিনা কবি মহাকসু মশা খঙজদনা মতমসিগী মী ওইরল্লে। মানা পামদ পামদনা মতমসিগী চপ চাবা মীশক অমা ওইরল্লে। মসিদি ওন্থোক্লা ফজখ্রবা সটায়ারিকেল ওইবা শৈরেংনি, মাগী 'ঐগী হৈনবী'। মশাদা পানশিনবনি।

য়ামখ্রে, কবি কামিনিকুমারগী সেন্সিবিলিটি। অদুবু মফমসিদা লোইনা পাউদম্বা ঙমদ্রে। কবি অসিগী কোক্তা লৈরিবা মচাক ময়াম অসিবু খূৎফোঙদোক খজিক্তং ফজনা হেক ফোঙদোকপা ঙম্বদা ফজবা শৈরেং ইরকপা শোয়দ্রবনি। হৌজিকমক্কীদি চঙশিনগদবা খরা লৈরি। অদুবু ইবা হৌরকপদা খোঙফম চুম্না লেপ্পা ঙল্লে। মঙোন্দগী আশা য়াম্না তৌবা য়ারি। মখাগী ফজবা শৈরেং লাইরিক অমা খৌরাংনা ঙাইরি।

# 'ঠাকুরগী কুহা'

### হিন্দী উপন্যাস, ৱারীমচা ইবা 'উপন্যাস সম্রাট' হায়না মিংথোল ফংখ্রবা মুন্সি প্রেমচান্দগী ৱারী মচাশিংগী খোমজিনবা লাইরিক 'মানসরোবর-অহানবা শরুক্ত'গী লৈমপোকপম বেদান্তীনা মীতৈলোলদা হন্দোকপা

**জোখুনা** খুজাইদু থাঙ্গৎতুনা ঈশিং থক্কে তৌই, ঈশিংদু ওন্থোক্লা নমথিখ্রে। মানা গঙ্গীদা হংলকই - "করিনো, কদাইদগী ঈশিংনো, ওন্থোক্লা নমথিখ্রে। খৌরাংবনা খৌনাওসি পুমকং কংলে অদুগা নঙনা অপুম্বা ঈশিং পীথক্লি।"

গঙ্গীনা নুংতিগী নুমিদাংৱাইরমদা ঈশিং শোকপা চৎলি। কুহাদু লাপ্পা লৈ, হঞ্জিন-হঞ্জিন চৎপা ঙমদে। মানা ঙরাং শোক্লকপদদি ঈশিংদু করিসু নমথিদবনি, ঙসিনা নমথিরিসিনা করম হায়না তৌরিজাৎনো। মানা খুজাইদু থাঙ্গৎতুনা মনম নম্মী, অশেংবমক্কীনি ঈশিংদু ওন্থোক্লা নমথিখরে। শোয়দনা শা-ঙা অমা কুহাদুদা তাশিন্দুনা শিরল্লনি অদুবু অতোপ্পা ঈশিংদি কদাইদগী লৌরুনি?

ঠাকুরগী কুহাদদি কনানা চঙহনগনি? অউবা মীশিংনা লাপলিঙৈদগী হৌনা চৈরক্লনি। মহাজনগী কুহাসু খুলগী অরোইবদনি অদুবু মদুদগীসু মখোয়না ঈশিং শোকপদি য়াহল্লক্লোই। খুলসিদা অতোপ্পা কুহা অমত্তসু লৈতে। জোখুনা মশা ঙল্লক্ত্রিবসি কুইরক্লে। খৌরাংবদু খাঙদুনা ঙাইহাক তুমিন্না লৈরে অদুদগী খাঙবা ঙল্লক্ত্রদুনা হায়রকই - "ঈশিং খৌরাংবনা খাঙবা ঙমদ্রেদা। নাতোন মেনশিল্লগা খরা থক্লগে।" অদুবু গঙ্গীনা খুজাইদু মঙোন্দা পীদ্রে। ফত্তবা ঈশিং থক্লবদি অনাবা অমুক হেঞ্জিল্লক্কনি হায়বদি খঙই অদুবু ঈশিংদু লুমথোক্লগা থকপা য়াই হায়বসিদি মা খঙদে। হায়রকই - 'সিগী ঈশিংসিবু করম হায়না থক্কদৌরিবা? করম্বা শা শিরগা তাশিল্লজাৎনোনে। ঐ কুহাদা চৎলগা ঈশিং শোক্লুখিগে।" জোখুনা ঙক্লা মঙোন্দা হায়রকই - "কদাইদগী পুরক্কদৌরিবা ঈশিংনো?" "ঠাকুর অমদি মহাজনগী কুহা লৈরিসিদি। ঈশিং খুজাই অমত্তংদি শোক্লুবা য়াইদনা?" "নখোঙ-নখূৎ শোয়দনা তেকপা তারে। তুমিন্না অদুম ফম্মু। ব্রাহ্মনদুনা শোয়দনা থৌজাল পীবিরক্কনি অদুগা মহাজন্না অমগী মহুত্তা মঙাদুম লৌখ্রনি। লায়রবগী অৱাবদু কনানা খঙবীগনি। ঐখোয়না শিরবসু মখোয়না মঙ্গুম্বা য়াওবদি লায়রদনা থোঙজিন্দা ফাওবা হন্না য়েংলরোই। অসিগুম্বা মীশিংসিনবু মখোয়গী কুহাদগী ঈশিং শোকহল্লক্কদরনে?" ৱাহৈশিংসে কঞ্জরবসু অচুম্বদি অচুম্বনি, গঙ্গীনদি করি পাউখুম পীগনি অদুবু মানা অপুম্বা ঈশিংদুদি পীথকখিদরে।

নুমিদাংগী পুং ৯ তারে। নুমিৎ চুপ্পা অমা থবক ৱানা শুরুবা শিন্মী পূম্বা তূম্নখ্রে, ঠাকুরগী থোঙ্গালদা মী মঙা-তরাদি ফল্লি। শয়েং-পাম্বোম ঙানবগী মতমদুদি হৌখ্রে, আইনগী মরমদা মরৈ য়েৎনরি। ঠাকুরনা হৈশিংনা পুলিসতা পৈশা পীজরগা য়াম্না লুবা কেস অমদগী নান্থোকখিবগী ৱানি। য়াম্না চেকশিন্না কেসতুগী মায়পাকপগী কোপী পুদুনা লাকখি। নাজির অমদি মোহতিমম অমদি পূম্নমক্লা মদুগী কোপীদু ফংলোই হায়নৈ। খরনা মদুদা য়াঙ্খে-চামা চঙই হায়নৈ। অদুবু মানদি শিকি তিংদনা কোপীদু পুরকখি। থবক খুত্তৌ-খুত্তৌগী ৱানি। তাঞ্জাসিদা গঙ্গীনা ঠাকুরগী কুহাদগী ঈশিং শোকপা লাক্লি।

লালতেনগী মুশি মুশিবা মৈঙালদু কুহারোমদসু য়ৌরক্লি। গঙ্গীনা কুহা মপালগী অৱাংবদুগী মরুমদা ফমদুনা তাঞ্জা ঙাইরি। খুল পূম্বা কুহাসিগী ঈশিং থক্লি। কনামত্তদা অথিংবা থমদে, শুপ্পতংগী মরায়বক থিবা মখোয়তনি থকপা ফংদবা। গঙ্গীগী মায়োক্লনিংবগী লাংতক্করবা পূক্লিংদুনা চৎনবীগী অথিংবশিং অমদি তৌদ্রবা য়াদ্রবশিং অনীগী মরক্তা লান্থেংনরি - ঐখোয়না করিগী অতোনবা কাঙলুপ ওইরিবা অদুগা মখোয়না করম্বা অচৌবা কাঙলুপ ওইরিবা? মখোয়না মঙক্তা নগুণ য়েৎপগীরা? মফমসিদা লৈরিবশিং অসি অমনা অমদগী হেন্দে-ৱাৎতে। হুরানবসু মখোয়নি, মীনম্বসু মখোয়না তৌই, অরানবা কেসসু মখোয়না তৌই। হন্দক্তা ঠাকুর অসিমক্লা লায়রখ্রবা য়াউশেনবাদুগী য়াউ হুরানবীরে অদুগা হাত্তোক্লগা চাথোকপীখ্রে। মসিগী পন্দিট শাবা অসিগী ময়ূমদা থা তরানিথোই চুপ্পা জ্বার শান্নৈ। অদুগা মসিগী মহাজন অসিনা ঘীদা থাউ য়ানশিল্লগা য়োল্লি। থবক শীজিন্নবমখৈ শীজিন্নরগা খূৎশুমল পীরমদাইদদি মথাদগী মচা শেৎনবমুক ৱায়। করি করি করমদনো মখোয়না ঐখোয়দগী হেন্না অচৌবা কাঙলুপ ওইরিসিবো? মচিনখক্তদনি মখোয়না অচৌবা কাঙলুপ ওইরিসে, লৈরক-কোন্সাংদা লাউরি ঐখোয় অচৌবা কাঙলুপনি - ঐখোয় অচৌবা কাঙলুপনি। করিগুম্বা মতমদা খুঙ্গংদা লাকপদা ঐখোয়দা করম্বা মিৎয়েংনা য়েংই। ঐখোয় ফোঙদোকপা ঙমদনা চৈনানা ঙাওই অদুবু মখোয় অচৌবা কাঙলুপনি হায়না নাপলদি তৌই।

কুহারোমদা মী লাকপগী মখোল তারকই। গঙ্গীগী থবাক্কী মিহুলদু দং-দং চোঙলি। মাবু উবদা শোয়দনা ঙক্কনি ফুবা চৈবা থোকপা য়াই। মানা চফু অমদি থৌরীদু পায়রগা লুকথদুনা চৎলগা উজাউ অমগী মরুমদা লেপ্তুনা লৈরে। মখোয়শিং অসি মীনুংশি খঙবা কাঙলুপ নত্তে, হঙ্গুদু কয়াদি থিনা ফুবিখ্রে, থা কয়া ঈ ওদুনা লৈখি। মাগী খূৎশুমলসু পীবিদে, মদুমক্তদা মখোয়সিনা অচৌবসু শারি।

কুহাদা ঈশিং শোকপা লাক্লিবী নুপী অনীদু ৱারী শার-শারদুনা লাক্লি।

"চাক চারমদায়দা শোকপদা ঙায়রিবা ঈশিং থকনীংই হায়দুনা য়াথং হেক্তা তাউথরকই। চফু অনৌবা লৈনবা পৈশাদি পীদে।"

"ঐখোয়না ঙাইহাক্তং ৱাই শংনা ফম্বসি নুপাশিংসি নুংঙাইতবা জাৎনি।"

"মানি, চফু পায়দুনা ঈশিং শোক্কে তৌবতা ঙায়রি। য়াথং তাউথরকই শোকপদা ঙায়রিবা ঈশিং থকনীংই, ঐখোয়সিবু মীনাইনুবীনি হায়না খল্লবরা খঙদে!"

"মীনাইনুবী নৎত্রদি করি ওইনি? চাবা থাক্লি, শেৎনবা ফি থোল্লি? লুপা মঙা-তরাদংসু কুইনা নিরবা তুংদা ফংলি, মীনাইনুবী হায়বদু সিনিদনা!"

"ইকায়বা অমুক পীরনুদা ইচে! মীকুপ অমা ফাওবা পোথাবা ফংদবমখৈ শুরি। অতোপ্পা য়ূমদা অসুম হায়না শুরুবদি সিদগী হেন্না নুংঙাইনা লৈবা ফংবসু য়াই। অদুগীসু মথক্তা মীনুংশিদা থম্বীবগা মালহল্লি, মফমসিদা থবক শুনা-শুনা শিজরো হায়বগা চপ মান্নৈ অদুগা ফজনসু হায়বীদে।"

মখোয় অনীদু ঈশিং শোক্লগা চৎখ্রে, গঙ্গীদু উগী মরুমদগী থোরক্লে কুহা মপাল য়ৌরক্লে, থোঙ্গালদা লৈরম্বা থৌ লৈতবশিংদুসু হন্নখ্রে। ঠাকুরসু থোঙজাও লোনশিল্লগা মনুংদা, মাঙ্গোলদা তূম্নবা চঙখ্রে। গঙ্গীদু অশাংবা নুংশাশ্বর অমা হোনে দাক্লে। অপনবা অয়েৎপা অমত্তা লৈত্রে। থায়না মমাঙঙৈদা নিংথৌমচানা অমৃত্ত হুরানবা চৎপদু সিমুক চেকশিন্না চৎলমদৌ মান্দে। গঙ্গীদু মখোঙ তপ্পা তপ্পা থাংদুনা কুহাগী মপালদুদা কাখৎলক্লে। মায় পাকপগী সিমুক নুংঙাইবদি মমাঙদা অমুক্তা ফাওখিদ্রি। মানা থৌরীদু চফুগী মঙক্তা য়েৎশিল্লে। লান্মীনা য়েক্লবগী লানবন্দা কাবগুম নাকয়েৎতা য়াম্না চেকশিন্না য়েংলি। তাঞ্জাসিদা মাবু করিগুম্বা ফাখ্রবদি শম্না মফৈ অমা ফাওবা ঙাকপীরোই। মমৈথংদা নীংবা য়াবা লাই পূম্নমক নীংদুনা চফুদু কুহাদা থাদরে।

চফুদু ঈশিং মনুংদা য়াম্না ঈংনা তপ্পা ইরুপলি মখোল অমত্তা থোক্লক্ত্রি। গঙ্গীনা অহুম-মরিরক্কী খুৎচিংখত্তা কুহাগী মচিন য়ৌরক্লে, মানা চিংখৎলিবা খুৎচিংখত্তু শাফবা কনানসু চিংখৎপা ঙল্লোই। গঙ্গীনা চফুদু লৌখৎকে হায়না মমায়দু হেক লুকথবদা ঠাকুরগী থোঙজাওদু খঙহৌদনা হেক হাংদোরক্লে। কৈ লাকপদগী হেন্না কিখ্রে। গঙ্গীগী মখূৎতগী থৌরী নান্থোকখ্রে। চফুদুগা লোয়ননা কুহা মনুংদা অহৌবা মখোলগা লোয়ননা তাশিনখ্রে, ফনা কুইনা ঈশিং মনুংদা পুদ্রুক-পুদ্রুক্কী মখোল তাদুনা লৈরে। ঠাকুরনা "কনানো? কনানো? হায়না কৌদুনা কুহা রোমদা লাক্লে অদুগা গঙ্গীনা কুহাগী মপালদগী চোংথদুনা কন্না চেল্লক্লি।

মানা ময়ূম য়ৌরকপদা জোখুনা অপুম্বা ঈশিংগী খুজাইদু থাঙ্গৎতুনা থক্লি।

*"কনা-কনাগুম্বা ওজাশিংনা মমাঙদা হন্দোকপীখিবা য়াওরবসু ৱারৌবিদনা তাকপীরক্কনি খঞ্জে"* - বেদান্তী